## এৱ্ৱেয়রনেস পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসন (মালা) অমসুং রাজা রামমোহন রোয়, কোলকটা অনীনা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা লাইব্রেরি এৱ্ৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং খুনৌ এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনা (কাকো) গা খুৎশম্নদুনা ককচিং খুনৌদা পাঙথোক্লগনি হায়না মালাগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এৱ্ৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অসিদা য়াওনিংবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লুপশিং অমদি লন্নাই মীওইশিংনা কাকোগী সেক্রেটরিদা মাঙজৌননা মীং পীশিনবীয়ু হায়নসু প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
উরিপোক লোকেল কাউন্সিল সী পি আইগী মীফম থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এগজিক্যুটি মেম্বর তরেৎনা শাবা লোকেল কম্মিটি অমদি ওফিস বিয়ারর মরি য়াওনা থৌ পুবশিং খনখ্রে।

উরিপোক লোকেল কাউন্সিল সী পি আইগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এ সরতচন্দ্রবু লোকেল সেক্রেটরি, টি দিনমনিবু ত্রেজরর, মঙ্গী অমদি সরতপু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে। মীফম অদু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা, নোংজু থাদা লম্ফেলদা ঈশিং থুমজিল্লকপা অমদি সমুশঙদা লৈরিবা উকু অসিনা চিংথোকপা ঙমদবদগী লম্ফেলগী অকোয়বদা ঈশিং থুল্লিবা অসি কোকহন্নবা থবক লৌখৎলু। নফসাগী চেঙ লেপ্তুনা ফঙহল্লু, লেত্রিন মতিক চানা লৈতবা মীওই কয়াগী লিষ্ট য়াওদ্রিবসি য়েংশিল্লু। লো কোষ্ট লেত্রিনগী শেনফম অচুম্বা মওংদা ফঙহল্লু, অর্বান হাউসিংগী শেনফম খুদিংমক অচুম্বা মওংদা পীনবা শীল্লু, মীওই খরগী খুদোংচাবা য়েংগদবা মওংদা পীবা লেপ্পু, উরিপোক কাংচুপ লম্বী মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপগা লোয়ননা লম্বী পাকথোকপগী থবক হৌবীয়ু, লমগী কম্পেন্সেস পীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু য়াওরি।

## ‘চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎকদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মণিপুরনা থা অসিগী ১৯ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মাইক্রোন ৫০ দগী পাথবা প্লাষ্টিক কেরি বেগশিং থিংলে হায়বা নোটিফিকেসন অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু খুদক্তগী চৎনরগনি হায়না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৯ দা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, গর্ভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে। নোটিফিকেসন অদুগী মপুং ওইবা ৱাফমদি মাইক্রোন ৫০ দগী পাথবা প্লাষ্টিক কেরি বেগশিং শীজিন্নবা থিংলে হায়বা অসিনি। অসিগুম্বা প্লাষ্টিক বেগশিং অসি শীজিন্নরম্বা থোক্লবদি ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্টকী মখাদা চৈরাক ফঙনিংঙাই ওই। মাইক্রোন ৫০ গী মখাদা পাথবা প্লাষ্টিক বেগশিং থিংবগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু চৎনগনি হায়নসু প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোঙ্গ্রেসকী নেসনেল সেক্রেটরি ওইরম্বা দি এল সচদেবনা থা অসিগী ২৬ তা লৈখিদবদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোঙ্গ্রেস মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট কম্মিটিগী মীফম অমা থা অসিগী ২৭ তা ইরাবত ভবনদা ফমদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদু য়ুনিয়ন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস নিলকমন্না প্রিসাইদ তৌখি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ৱা ঙাংবদা সচদেবনা শিন্নীশিংগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু শিংথাখি। শিন্নীগী ঈহৌ কয়াদা অকনবা থৌদাং লৌখিবা অমদি মণিপুরগী ইস্যু কয়াসু পুখৎতুনা থবক তৌমিন্নরম্বা লুচিংবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা এ আই টি য়ু সীগী সেক্রেটরি এ সরতচন্দ্র অমসুং তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়নগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

GAS TODAY
**R&H IRILBUNG**
Booking Upto:23/04/2017
Valid From:12/04/2017
***Stk :612***
Timing:08.00am to 11.00am

# ষ্টেটসিগী লৈঙাক্কী কোলেজ ২৯, এদেদ কোলেজ ১১ দা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী কোলেজ ২৯ অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কোলেজ ১১ দা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স হৌখ্রে।

রাষ্ট্রিয়া উছট্টর শিক্ষা অভিয়ানগী মখাদা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স হৌদোকপগী থবক অসি পায়খৎখিবনি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেন্থং কায়থোরকখি।

ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্সকী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংগী ওইনা হাঙগদবা কোর্সশিং অসি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুনিভর্সিটি ওফ হায়র এদ্যুকেসন্না শেম্বা বোর্দ অমনা ফাইনেলাইজ তৌবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ স্কীল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ত্রাপ্রেন্যুয়রশিপ গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল স্কীল ক্বালিফিকেসন ফ্রেমৱার্ককী কাঙলোনসু য়েংই। তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা হাঙলিবা স্কীল দিভলপমেন্টকী কোর্সশিং অসিনা মহৈরোয়শিংদা হীরম কয়াদা হৈ শিংবা ওইহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। একাদেমিক সেসন ২০১৭-১৮ গী ওইনা কোর্স অসি ইন্ত্রদ্যুস তৌখ্রে। কোলেজ ৪০ দা হাঙলিবা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স অসিদা কোলেজ অমমমদা সীট কেপাসিটি ৩০/৩০ লৈরি।

দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ত্রেদ ১১ খঙদোক্লবা মতুংদা থবক পায়খৎলি। টুরিজম এন্দ হোস্পিটালিটি, রিটেল মেনেজমেন্ট, কম্প্যুটর হার্দৱ্যেয়র টেক্নোলোজি, ফ্লোরি কলচর, হোর্টিকলচর, ফূদ প্রোসেসিং, ফিসরিজ, মীদিয়া এন্দ জর্নেলিজম, রববর মেন্যুফেকচরিং টেক্নোলোজিনচিংবগী কোর্স কয়া হৌজিক কোলেজ ৪০ দা হাঙলিবশিং অসিগী মনুংদা য়াওরি।

ভোকেস্নেল কোর্সশিং অসি প্রাক্টিকেল অমদি থিওরি ক্লাস অনীমক য়াওনা চত্থবনি। থিওরি ক্লাসশিংনা কোলেজ ৪০ অসিদা চত্থগনি। অদুগা প্রাক্টিকেল ক্লাসনা ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্টনরশিং অমদি তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংদা চত্থগনি।

ভোকেস্নেল কোর্স হাঙদোরকপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা মশা মশাগা চানবা খুৎশা হৈবগী থবক কয়াদা লমজিংনবা অখন্নবা মীৎয়েংশিং থল্লি। স্কীল দিভলপমেন্ট পীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙমহন্নবগী মীৎয়েং কয়াসু লৈরি।

কোলেজ ৪০ অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্টনর ১৩ গা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমসু খুৎয়েক পীনদুনা থবকশিং অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি। ভোকেস্নেলাইজেসন ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী থবক অসি চহী অসিগী জুন ২৯ দা দি এম কোলেজগী মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা লোঞ্চ তৌখিবনি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কোলেজ ৪০ দা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স হৌদোক্লবগী থৌরম অমসু চহী অসিগী জুলাই ৪ দা পাঙথোকখি। কোলেজশিংগী ওথোরিটিশিং অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্টনর কয়াসু য়াওনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

মণিপুরগী লৈঙাক্কী নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রাম মনুং চন্না কোলেজশিংদা ভোকেস্নেল ত্রেনিং কোর্স হৌদোকপগী থবক অসি পায়খৎখিবনি। তোঙান তোঙানবা কোর্স মখল কয়া কোলেজশিংদা হাঙলি। হীরম কয়াদা থবক তৌরিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্টনর কয়ানা ভোকেস্নেল কোর্সকী থবক অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

# প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্ৱালা যোজনা স্কিমগী গ্যাস চান্দেলদসু য়েন্থোকখ্রে



চান্দেল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
প্রধান মন্ত্রি উজ্জ্ৱালা যোজনা স্কিম (পি এম য়ু ৱাই এস)গী মখাদা লৈবা এম/এস বি দি গ্যাস এজেন্সী, জাফৌ বজার, চান্দেলনা শীন্দুনা এল পি জি সেফটি ক্লিনিক কম পি এম য়ু ৱাই এসগী মতাংদা এৱ্ৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জাফৌ বজারদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পি এম য়ু ৱাই এসকী মখাদা লৈবা ইমুং ৯১ দা গ্যাস কনেক্সন কার্দ, ষ্টোব অমদি সিলিন্দর য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা আই এফ সী দি অমদি ৱাই এ এসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা অথোইবা মীথুং, দি সী চান্দেল কৃষ্ণ কুমার (আই এ এস)না থৌরম মপূ অমসুং ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেনেজর (এল পি জি-এস) ইম্ফাল ২ এল এস এ, ষ্টেফেন চিংখানসোন গুইটেনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, পি এম য়ু ৱাই স্কিম অসিনা চীংদা উ-ৱা য়াম্থৎতুনা চাক থোংবদা শীজিন্নদুনা উমং কোকথোকপদগী চাদা ৪০ দি কনবা ঙম্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৭-২০২২ ফাওবদা লায়রবা কোকহন্নবা য়াওনা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিদা ঐখোয়নসু মপুং ফানা শৌগৎতুনা ঈৎ-তপ্পা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। স্কিম খূদিংমক ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহন্নবা হোৎনসি। ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়না শক খঙনবা আধার কার্দ মথৌ য়াম্না তারে। চীংনুংদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা মথৌ তাবা আধার কার্দ কাপ্পবা হোৎনবদা মীওই খরনা লান্না পাউথোক্তুনা অথিংবা পীবীবা অসিসু য়ারগদি তৌবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা এম/এস বি দি গ্যাস এজেন্সীগী প্রোপাইটর বি দি খেলথুং বুংদোল অনালনা ফোঙদোকখিবদা খুন্নাইগী শেম্মীৎলোনগী মতুং ইন্না লায়রবগী পনখৈ মখাদা (বি পি এল) লৈবা য়ূমথোঙ খূদিংদা পি এম য়ু ৱাই এসগী মখাদা চহী অনীগী মনুংদা চাক থোংনবা গ্যাস ফংহন্নবা পান্দমগী মখাদা পায়খৎপনি। চান্দেলগী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা ইমুং ১৯,০০০ দা চাক থোংনবা গ্যাস অসি ফংবা য়াই। এজেন্সী অসিনা মমাঙথক্তা ইমুং ২৫৪ দা ফংহনখ্রে। ঙসি ইমুং ৯১ দা চাক থোংনবা গ্যাস অসি য়েন্থোক্লগনি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা অপূনবা ইমুং ৪৬৮-ফংহন্নবা পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পুং ৪৮ গী মনুংদা নুপীদা ওৎ-নৈবা মীওই পুলিসনা ফাদ্রবদি অকনবা খোঙজং চত্থরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
চহী ১৪ গী নুপীমচা অমা সেনাপতি হেদক্বার্টরদা তমথীনা নুংশি হৈতবা মওংদা ওৎ-নৈরগা শিনিংচিত্তা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই পুলিসনা পুং ৪৮ গী মনুংদা ফাদ্রগদি অকনবা খোঙজং চত্থনবা শেম শারে হায়না লিয়াংমাই নাগা কতিমাই রুৱাংদিগী প্রসিদেন্ট এন কে জোবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এন কে জোবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১ গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা সেনাপতি টাউন্দা লৈবা ক্লাস নাইন তম্লিবী চহী ১৪ দা ঙাইরিবা নুপীমচা অমনা মখোয়গী ময়ুম মনাক্তা লৈবা লোক্কী ঈশিং খোং অমদা ফি শুরিঙৈদা শকখঙদবা নুপা অমনা নুপীমচা অদু ফারগা তমথীনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা শিনিংচিত্তা হুন্দোক্লম্বদগী মহাক নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। মহাক হোস্পিটাল অদুগী আই সী য়ুদা থমদুনা মতম শাংনা লায়কন্নরবা মতুংদা ময়ুমদা পুথরকখ্রে। অদুগা মহাক মশাগী হকচাংদা শোকখিবা শরুক অদুদি ঙসি ফাওবা ফগৎপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু মহাক নোর্মেল ওইনা ৱারী শানবদি য়ারে হায়রি।

মঙোন্দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওই অদু মীয়ায় চনবা মীওই ওইরম্লে। নুপা অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবা ফাদনা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা নুপীমচা অদুদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু পুলিসতা খঙহল্লবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা ফাদনা লৈরিবসি মনুংদা করি ঈচেল লৈবগে হায়না হংলক্লি।

থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওই অদু ভিক্তিম ওইরিবা নুপী অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহল্লবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা ফাদনা থল্লিবা অসিনা ভিক্তিমগী ইমুংদা খোয়রাং খোয়শাওনবা পোকহল্লে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু ঙসিদগী থারগা পুং ৪৮ গী মনুংদা ফারগা এক্সন লৌদ্রবদি জে এ সী অমদি লিয়াংমাই নাগা কতিমাই রুৱাংদিনা অকনবা খোঙজং চত্থনবা শেম-শারে হায়রি।

জে এ সীনা চত্থরকপা খোঙজং অসিদা মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং অদু মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি হায়রি।

## মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ককচীং, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
কলা আশ্রম মণিপুর, লাঙথেল (কামল) লিংখৎখিবগী অনীরকশুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাঙথেল কৈথেল মচা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা অথোইবা মীথুং, য়ুরেকা হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বদগী পোথারবা এস ঐচ গোপেশ্বরনা থৌরম মপূ অমসুং লাঙথেল মন্দকিনি প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মাষ্টর ঐচ রাজেননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কলা আশ্রম অসিগী লৈখিদ্রবা ওজাশিংগী মফমদা লৈ কৎপা অমদি মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎপা, কলা আশ্রম মণিপুরগী থৌমীশিংনা তোঙান-তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈশিং উৎপা অমসুং শক্লাইরবা ওজাশিংদা কলা আশ্রম মণিপুর, লাঙথেলগী মায়কৈদগী খূদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপনা মপুং ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

## এমসুনা অথুম-অহাও য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়ন (এমসু) লিংখৎখিবগী ৫২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবগী শরুক অমা ওইনা এমসু ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অনা লায়েংশঙ কয়াদা লৈরিবা অনাবশিংদা অথুম-অহাওশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

এমসু ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম প্রবিননা লুচিংদুনা এমসুগী থৌমীশিংনা ককচীংদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টর, সুগ্নু কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টরদা চৎতুনা মৈরা কৎখি লোয়ননা অনাবশিংদা অথুম-অহাও য়েন্থোক্তুনা হোস্পিটালদা লৈবা অনাবশিংবু অথুবদা ফরক্লবা তাইবং মপূগী মফমদা থৌনীজখি। ককচীং কৈথেলদা লৈবা ইরাবোত পার্ক, সুগ্নু কৈথেল, ককচীং খুনৌ কৈথেল অমসুং অতৈ তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মৈরা থানখ্রে।

## এমতুক-এমজিওগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা উনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল ওফ ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সল (এমতুক) অমসুং ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ ওর্গনাইজসেন (এমজিও) গী প্রসিদেন্ট খায়দেম মনি অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল এল বিকেন্না লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা পোইন্ট ২০ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অমসুং তরেৎশুবা পে কম্মিসন চৎনহন্নবগী মতাংদা তকশিনখ্রে।

জে এ সীগী মেম্বরশিংগী ৱারোল কয়া তারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংগা দিমান্দশিং অদুগী মরমদা খন্নগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

## পুন্না লেপমিন্নদুনা তুংগী মীরোল কলহৌসি: জয়কিষন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : ওপোজিসন রুল্লিং হায়বা খায়দনা লমদম অসিগী তুংগী মীরোলশিং কলহৌনবা ষ্টেট অসিদা মীহুৎ ওইনা লৈরিবা এম এল এ ৬০ মক্না পুন্না লেপমিন্নসি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন্না ফোঙদোকখ্রে। খুয়াথোং কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি তাকদোনা শীল্লগা ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফায়র গেমসতা গোল্ড মেদল অহুম লৌরকখিবা গুরুময়ুম রোবর্ট শর্ম্মা ওকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা খুমুকচম জয়কিষন্না হায়খি, হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মহৈরোয়শিং ঈহৌ হৌফম থোক্তে হায়রি। য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক এম এল এ ৬০ মক্না পুন্না লেপমিন্নদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎলন্নবদি ঙসি মহৈরোয়শিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, শান্নরোয়শিং, মৈরা পায়বীশিং ঈহৌ হৌরল্লোই। তুংগী মীরোল কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল লাকপদগী মায়কৈ পুম্নমক্তগী ঈহৌ হৌরকপনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না লৌফম থোকপা থৌদাং লৌসি। তুংগী মীরোল কনসি হায়রবদি য়েলহৌমী কন্নবা এক্ত অমা শেমদুনা চৎনহন্নবা মীহুৎ ৬০ মক্না পুন্না লেপ্লসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রিমসকী দিরেক্টরনা গভর্ণর ...

*লামায় ১গী মখা...* হাংদোক্লনবা অমসুং হোস্পিটাল অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না গভর্ণরনা থাজবা পীরকখি হায়না রিমসকী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## বেঙ্গলুরুদা মণিপুরী মচা ১ ...

*লামায় ১গী মখা...* মহাকপু তমথীনা ফূখিবনি হায়রি।

রেষ্টুরেন্ট অদুদা থবক তৌবা অতৈ মণিপুরীশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলবসু হৌজিক ফাওবা মেনেজরগী মথক্তা থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রি।

ফীভম থিনা শোক্লবা পৌখানমুংবু মণিপুরী ষ্টুদেন্ট’স এসোসিএসননা হোস্মট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবগা লোয়ননা জয়ানগর পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌদুনা মেনেজমেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

## সনকল্প সে সিদ্ধি খঙমিন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়খি, মণিপুর আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থোয়দোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লমদম অমনি। লমদম অসিগী নাৎ অমদি চৎনবীশিং অসিনা লমদম অসিবু মশক তাক্লিবনি। মণিপুরদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিসু লীংখৎলে। মসি মপুং ফাহন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিং গভর্নরনা লুচিংদুনা সনকল্প সে সিদ্ধি ন্যু ইন্দিয়া মুভমেন্ট ২০১৭-২২ গী ৱাশক লৌমিন্নখি। ৱাশক লৌমিন্নখিবা অদুদা বিল্ডিং এ ন্যু ইন্দিয়া বাই ২০২২, ক্লিন ইন্দিয়া, পোভর্টি ফি ইন্দিয়া, করপসন ফ্রি ইন্দিয়া, টেররিজম ফ্রি ইন্দিয়া, কম্ম্যুনেলিজম ফ্রি ইন্দিয়া, কাষ্টিজম ফ্রি ইন্দিয়া হায়বনচিংবা য়াওরি।

## খৎন-চৈনবদা চেন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থোক্তনবা খৎন-চৈনবদা য়াওখিবা নাকল অনীগী নুপীমচাশিং অমদি ইমুং-মনুংগী অহল-লমনশিং য়াওনা দেসামগী মীহুৎশিংগা লূপ অসিগী ময়াইলোইশঙদা ঙরাং পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে। থৌদোক অসিগী ভিদিও ক্লিপ্পিং সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা শন্দোক্তুনা মখা তানা ভিক্তিমাইজেসন তৌবীগনু। হীরমসিদা চেন্নরিবা নুপীমচাশিং হেন্না ফবা খুন্নাইগী য়ূম্বী অমা ওইনবগীদমক ইমুং-মনুংগী অহলশিং য়াওনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩ দা দেসামনা শিন্দুনা কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## বেমবেম অমসুং দেবেন্দ্রোদা ...

*লামায় ১গী মখা...* বেমবেম (ফূটবোল), এস এস পি চৌরাসিয়া (গোল্ফ), এস ভি সুনিল (হোকি), জস্বির সিংহ (কব্বাদি), পি এন প্রকাশ (শুটিং), এ অমলরাজ (টেবল টেনিস), সকেথ মাইনেনি (টেনিস), সত্যৱর কাদিয়ান (রেস্লিং), মারিয়াপান (পেরা-এঠলেট) অমসুং ভারুন সিংহ ভাটি (পেরা-এঠলেট) নি। রাজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ পীখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি, দেবেন্দ্র (পেরা এঠলেট) অমসুং সর্দার সিংহ (হোকি)নি।

চহী অসিগী দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ লান্থোকখ্রবা শক্লাইরবা ওজাশিং অদুদি, লৈখিদ্রবা ডা. আর গান্ধী (এঠলেট), হীরা নন্দ কটারিয়া (কব্বাদি), জি এস এস ভি প্রসাদ (বেটমিন্টন), বৃজ ভুষন মোহন্তি (বোক্সিং), পি এ রাফেল (হোকি), সঞ্জয় চক্রবর্তি (শুটিং) অমসুং রোশন লাল (রেস্লিং)নি।

ধ্যান চান্দ এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ভুপেন্দর সিংহ (এঠলেটিক্স), সয়দ শহীদ হাকিম (ফূটবোল) অমসুং সুমারাই টেটে (হোকি) নি।

রাজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ অসিদা মেদল অমসুং সাইটেসন অমমম্গা লোয়ননা লুপা লাখ ৭.৫ য়াওরি। অর্জুনা, দ্রোনাচার্য্য অমসুং ধ্যান চান্দ এৱার্দীশিংনা ষ্টেট্যুট, সর্টিফিকেট অমদি লুপা লাখ ৫/৫ য়াওরি।

## হোম গার্দ পার্সনেলশিং চরা হেনবগী...

*লামায় ১গী মখা...* ওগষ্ট ৩১ ফাওবদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী এম এল এশিংগা উনবা হৌরগনি। বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টতসু অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুদা পার্সনেলশিংনা অৱাবা খাঙলিবা অসি মতেং পাংবীয়ু অমসুং ইস্যু অসি লোইশিন্ননবা হোৎনবদা পার্টিনা খূৎ থিংজিনবীয়ু হায়বা য়াওরি।

কোর্টনা কন্দেম কেস অসি লোইশিন্ননবা হোৎনরিঙৈ মরক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরদা হোম গার্দ পার্সনেলশিংগী অচুম্বা ৱাকৎ অসি চেরোল ওইনা থারগা খঙহল্লগনি। তঙাইফদ্রবদি প্রাইম মিনিষ্টর উননবা থৌরাং তৌগনি। সেপ্টেম্বর থা অসিগী মনুংদা অনৌবা খোঙজং ওইনা হোম গার্দকী পার্সনেলশিংনা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎলগা রিওর্গনাইজ তৌবা, এৱ্ৱেয়রনেস পীদুনা ৱাখল তাহন্নবা থবক তৌরগনি। এসোসিএসন অসিনা ওক্টোবর ২দগীদি করি করম্বা খোঙজং চঙশিনগদগে হায়বদু মতম চানা মীয়ামদা লাউথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুর লৈঙাক্না নুংবা হেদ ক্বার্টরগী চাউখৎ-থৌরাং পায়খৎপীয়ু: জে এ সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
নুংবা হেদ ক্বার্টরগী মীয়ামগা মণিপুর গভর্নমেন্টকা ৱারী কয়া শানখ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবসু পেন্দবা ফোঙদোক্লি।

নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী চ্যেয়রমেন অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক্কী অসিগুম্বা মীয়ামগী খন্দবা অমদি চেকশিন্দবা থৌওং অসি লায়বক থিবনি। নোনেগী দি সী অমসুং এস পিনা ইনভাইট তৌরক্তুনা নুংবা এরিয়া জোইন্ট কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানখ্রবসু নুংবাদা অৱাংবা থাক্কী ওফিসল টিম অমা থারক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোরক্তে।

নুংবা কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্তর অসি ইম্ফাল অমসুং জিরিবাম অনীগী মরক্তা লৈরিবা অমত্তা ঙায়রবা হোস্পিটালনি। অদুম ওইনমক কম্ম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্তর অসিগী লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং খুৎশু খুৎলায়নচিংবা মতিক চানা লৈতবনা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মরুওইনা এক্সিদেন্ট থোক্লকপা মতমদা পেসেঞ্জরশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। হৌখিবা চহী অমা অসিদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অসিদা অচৌবা অমসুং মচা এক্সিদেন্ট ২০০ হেন্না থোকখ্রে। অদুম ওইনমক এক্সিদেন্টশিং অদুদা শোকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা চাদা ৩০ দি মেদিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফঙদবনা মরম ওইদুনা শিখি। মরম অদুনা দ্রাইভর য়ুনিয়নশিং, ত্রান্সপোর্টরশিং, পেসেঞ্জরশিং অমদি অতোপ্পা ওর্গনাইজেসনশিংনা মফম অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপীনবা তকশিল্লক্লি।

জে এ সী অসিনা থা মঙা হেন্না দিমান্দ কয়া থবক্তা ওন্থোকপীনবা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা তঙায়ফদ্রবদি মখোয়গী দিমান্দশিং অদু ফঙনবা তকশিন্দুনা বন্দ অমদি ষ্ট্রাইক্লচিংবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্কনি হায়রি।

# রাষ্ট্রিয়া ক্রিদা দিবস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালনা জন সিক্সন সন্থান ৱাংজিংগা খুৎশম্লনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক পার্ট টুদা রাষ্ট্রিয়া ক্রিদা দিবস থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এন ৱাই কে থৌবালগী দি ৱাই সী ৱাই লক্সমন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মেজর দ্যানচান্দ সিংহগী ১১২ রক শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রাষ্ট্রিয়া ক্রিদা দিবস অসি পাঙথোকপনি। ইন্দিয়াদা হোকি চাউখৎহন্নবগীদমক মেজর দ্যানচান্দনা পীরম্বা কন্ত্রিব্যুসনশিং অদুবু নীংশিংবগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্লরি। মহাক্কী লীদরশিপ মখাদা কুমজা ১৯২৮ কী ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ন টিমনা গোল্ড মেদল লৌরকখি। লৈবাক অসিগী মেজর দ্যানচান্দ হোকি মশান্নগী লমদা থোয়দোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা মীওই অমনি। থৌরম অদুদা এন ৱাই কে থৌবালগী দি ৱাই সী ৱাই লক্সমন্না মেজর দ্যানচান্দগী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা জে এস এস থৌবালগী দিরেক্তর হৈক্রুজম ধিরেন্না চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। শান্ন-খোৎনবগী লমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নহাশিংবু শেমগৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি। পুক্নিং হকচাং ফনা থমদুনা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এল সেনাপতিনা নহাশিংনা অখাঙ কন্না থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা ৱাফম ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন ৱাই কে অমদি জে এস এস থৌবালনা থা অহুমগী ওইবা স্কীল অপগ্রেদেসন ত্রেনিং প্রোগ্রামসু হৌদোকখি। ত্রেনিং অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা স্কীল দিভলপমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাংগদৌরি।

## নাৎ য়োকখৎপদা পুন্না থৌদাং ...

*লামায় ১গী মখা...* ফিল্ম ফোরম মণিপুর মতৌ করম্না পোক্লকখিবনো হায়বসি ঙসিগী ফিল্মদা চেন-চোংলিবশিং অমদি খুন্নাই অসিনা খঙদ্রবা য়াদ্রবা ৱাফম ওইরক্লি। ফিল্মগী চেন-চোংলিবা মীওই কয়ানা ৱানা হোৎনদুনা ভিদিও ফোর্মেটকী ফিল্মশিং স্ক্রীনদা প্রোজেক্সন তৌদুনা মীয়ামদা উৎপা হৌনরকখি। ভিদিও ফোর্মেটতা পুথোক্লম্বা ফিল্মশিং অসিদা মতম মতমগী টেক্নোলোজি চাউখৎপগী মতুংইন্না দিজিটেল ফিল্ম গভর্নমেন্টনা শকখঙদুনা সিনেমা হোলশিংদা উৎপা য়ারে হায়না কুমজা ২০০২ দা ফ্রেন্দস টোকিজদা কংলা ফিল্মনা পুথোকপা লানমৈ হায়রিবা ফিল্ম অসি রিলিজ তৌখি। তোঙান তোঙানবা ফিল্ম কম্পেনি কয়ানা ফিল্ম মথং মথং পুথোক্লরক্তুনা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্মগী অচৌবা মফম অমা কনবা হৌরকখি। মতম খরা মশা মশাগী ইন্দিভিজুয়েল কেপাসিটিদা ফিল্ম পুথোক্লরম্বদগী তপ্পা তপ্পা পুনশিল্লক্তুনা ফিল্মগী লমদা চেন চোংলিবা কয়ানা পুনশিন্নরক্তুনা উশা সিনেমা হোলদা মীফম অমা ফমদুনা কুমজা ২০০৪ দা ফিল্ম ফোরম মণিপুর শেমখি।

কুমজা ২০০৫ গী ওগষ্টতা উশা সিনেমা হোলদা মীফম অমা অমুক ফমদুনা মণিপুরদা পুথোক্লিবা ফিল্ম খুদিংমক ফোরমনা শেম্বা প্রিভিয়ু কম্মিটি অমনা মীয়ামদা উৎপা য়াবা য়াদবা খঙদোক্লবা মতুংদা উৎপা য়াহন্নবা লেপ্পখি। নুমিৎ নীনি চঙনা কংলা হোলদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগা লোয়ননা মণিপুরী ফিল্মগী ওইফম থোকপা হীরমদা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোক্তুনা ফিল্ম ফোরমনা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং অমুক হন্না শেমদোকমিন্নখি। কুমজা ২০০৫ গী জুন ৪ দা অমুক হন্না ফম্মিন্নদুনা ফিল্ম অমা পুথোকপদা ইনগদবা চৎন-কাঙলোনশিং শেমদোক শাদোকমিন্নখি। নুমিৎ অসিদা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি কুমজা ২০০৮ গী এপ্রিল ৭ তা চৎনবা হৌখি অমসুং ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি।

ম্যুজিক, ভিদিও খক্তগী ওইবা কম্পিটিসন নোংইন ফেষ্টিবেল হায়না নৌনা থোক্লকপা আর্টিষ্ট, দিরেক্তর অমদি প্রদ্যুসরশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লি। কুমজা ২০০৭ কী ওইনা অহানবা ফেষ্টিবেল ওফ মণিপুরী সিনেমা ফিল্ম ফোরমনা শীন্দুনা কুমজা ২০০৮ গী জান্যুৱারি ফাওবা পাঙথোকখি। কুমজা ২০০২ দগী মরু হুল্লকখিবা মণিপুরী ভিদিও ফিল্ম ওইনা পুথোকখিবা অসি ফিল্ম মশীং ৮৪৩ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা মৈতৈলোন নত্তবা অতোপ্পা দাইলেগতা পুথোকপা ফিল্ম তরেৎ য়াওরি। মণিপুরী ফিল্মগী থৌদাং লৌরিবা ফিল্মগী এপেক্স বোদি ওইরিবা ফোরম অসিগী মশাগী ওইবা লম অমদি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওইবা ওফিস লৈবা ঙমদ্রি। হৌজিক লম্ফেল সুপর মার্কেটতা লৈবা সঙ্কর সিনেমা হোলগী অৱায়বা কা অমদা থাগী রেন্ট পীদুনা থৌরম ময়াম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা চিনহায় ওইনা এম এস আর টি সী কমপ্লেক্সতা পীগনি হায়না থাজবা পীরম্মী অদুবু থবক ওইনদি ওন্থোকপা ঙমখিদে। হৌজিক্কী লৈঙাক অমদি চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙদুনা ফোরমগী লম অমত্তং পীবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেয়রমেন এস মঙ্গোলজাওনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর ডা. কে সুসিলানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী এক্স চ্যেয়রমেন, এক্স জেনরেল সেক্রেটরি, এদভাইজর, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী গিল্ডশিংগী প্রসিদেন্টশিংদসু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।